# কোর্টতা মায়থিরবসু নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওলি মফম থাদোকখিরোই: এইদ



কাঠমান্দু, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলি হৌজিক ফম থাদোক্লোই, তৌইগুম্বসুং মহাক পার্লিয়ামেন্টতা ফ্লোর টেষ্ট অমা মায়োক্লগনি হায়না যুমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্কী এইদ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লেজিসলেচর মুখৎলগা মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা মহাক্না লৌখিবা ৱারেপ সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখিবা মতুংদা মহাক্কী এইদনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

পোলিসিগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদা রুলিং পার্টিগী লুচিংবশিংনা কোওপরেসন পীনবা ৱাৎলি হায়না মরাল শীরদুনা ওলিনা হৌখিবা দিসেম্বরদা খঙহৌদনা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎপগা লোয়ননা মীখল লাউথোকখিবদগী লৈবাক অসিদা অচৌবা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা লাকখি।

খঙহৌদনা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎখিবদু কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাংলোনগী মায়োক্তনি হায়না কোর্ট অসিনা রুলিং পীবগা লোয়না মার্চ৮ গী মমাংদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌনবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম অদু রিভিয়ু তৌনবা ওলি (৬৯) না রুলিং নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টি (এন সী পি) দা য়াওরিবা মীচং খরগা মীফম পাঙথোকখি।

ওলি য়ানিংদবা নেপালি লীশিং কয়ানা যুমশকৈশা নুমিত্তা কেপিটেল কাঠমন্দুগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা কোর্টকী ৱারেপ অদুদা হরাও তয়াম্বা উৎপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর মফম থাদোক্লবা নৌহৌননা দিমান্দ তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওলি হৌজিক রিজাইন তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়না সুর্য্যা থাপা কৌবা এইদ অদুনা ফোঙদোকখি। থাপাগী মতুং ইন্না, ওলিনা পার্লিয়ামেন্টতা থাজদবগী মোসন মায়োক্লগনি। রুলিং পার্টিগী এন্টি-ওলি ফেক্সনগী মেম্বরশিংনা থবক তৌবদা মহাক্না তৌনিংবদা তৌবগী মওং য়ানিংদে হায়রদুনা ইনৌ নৌবা কোর্টকী ওর্দর অদুনা মহাক লৈঙাক্কী থবক পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়বা উৎলি হায়খি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ওলিগী মায়োক্তা লৈবাক শিনথুংনা প্রোটেষ্ট কয়া শিন লাংখিবা এন সী পিগী সিনিয়র লিদর নরায়ন কাজি শ্রেস্থানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়োক্তা লৈবা লোমেকর খুদিংমক্না মথংগী খোঙথাং খন্ননবা মীফম কয়া পাঙথোক্লি। ওলিনা মফম থাদোক্তবা তারবদি পার্লিয়ামেন্টনা মহাক্কী পোলিটিকেল লায়বক লেপকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সোল্লর ৱিন্দস এটেক্কী মনুং চন্না রশিয়ন হেক্করশিংনা নাসাদা টার্গেট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
য়ু এস ফেদরেল এজেন্সিশিং অমসুং ইন্টরপ্রাইজশিংদা পাক শন্না চথবা সাইবর এটেক্কী থৌদোক অমদা হেক্করশিংনা নাসা অমসুং ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসনগী নেটৱার্কশিংদা নারোনদগী চঙশিল্লে হায়না ৱাশিংটন পোষ্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, সাইবরক্রিমিনেলশিং অদু রশিয়নশিং নৎত্রগা মখোয়গা মরী লৈনবশিং ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈবনা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না রশিয়াগী মায়োক্তা অথিংবশিং থম্নবা শেম শারি। হ্বাইট হাউসনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা, সোল্লর ৱিন্দস হেকনা মরম ওইদুনা ফেদরেল এজেন্সি মাপন অমসুং প্রাইভেট সেক্টর ১০০ রোমগী দেটাশিং চিংননিঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরমখি। পাক শন্না সাইবর এটেক চথবগী মতাংদা থিজিল্লিবা সিনেট ইন্টলিজেন্স কম্মিটিগী হিয়ারিং অমগী মাঙওইননা নাসা অমসুং এফ এ এ অসি পন্নখি।

নাসাগী স্পোক্সমেন অমনা রিপোর্ট অদুবু য়ানিংদবা তৌদ্রবসু হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়রদুনা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে। এফ এ এগী স্পোক্সপার্সন অমনসু কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে। হেক্করশিংনা এটেক তৌখিবা অতে ফেদরেল এজেন্সিশিংগী মনুংদা কম্মর্স, ইনর্জি, হোমলেন্দ সিক্যুরিটি, জষ্টিস, ষ্টেট অমসুং ত্রেজরি দিপার্টমেন্টশিং অমসুং নেস্নেল ইন্সটিট্যুস ওফ হেল্থ য়াওরি।




ফায়রআইনা মশাগী নেটৱার্কতা এটেক তৌরক্লে হায়বা রিপোর্ট অমা ফোঙলকখিবগা লোয়ননা সাইবর এটেকশিং অদু হৌখিবা চয়োলদা থেংনরকখিবনি। সাইবর এন্দ ইমর্জিং টেক্নোলোজিগী দেপ্যুটি নেস্নেল সিক্যুরিটি এদভাইজর এন্নি ন্যুবর্জরনা ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবদা, হেক্কিংগী থৌদোক অদু রশিয়ন ওরিজিন ওইরবসু হেক্করশিংনা এটেক অদু য়ু এস মনুংদগী চথখি।

এটেক অদু পাঙথোক্লবগীদমক হেক্করশিংনা ওরিওন সোফৱ্যেরদা মালেৱ্যের অমা ইন্সটোল তৌখি। সোফৱ্যের অদু আই টি মেনেজমেন্ট কম্পনি সোল্লর ৱিন্দসনা য়োনবনি। য়ু এস মনুংদগী হেক অদু লোঞ্চ তৌখিবা ওইবনা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা হেক্করশিংগী এক্টিভিটি য়েংশিনবদা খুদোংচাদবা থোক্লি। এন্টিটি ১৮,০০০ না মলিসস অপদেট অদু দাউনলোদ তৌখিবা অসিনা হেক অদু য়াম্না পাক শন্না চথখি হায়বসি খঙবা ঙম্মী হায়না ন্যুবর্জরনা মখা তাখি।

# ইমর্জেন্সি মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম পাঙথোকপা য়াই: নিংথৌ

কুলালম্পুর, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
ইমর্জেন্সিগী ফীভম লৈরিঙৈ মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌবা য়াই হায়না মালেসিয়াগী নিংথৌ অল-সুল্টান অব্দুলাহনা যুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌগী ৱাফম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদ্দিন য়াসিনবু শীংনদুনা ওপোজিসন্না ইনৌ নৌনা কন্ফিদেন্স ভোট পাঙথোক্লবগী লম্বী ফাৎলবা য়াই। মালেসিয়ানা কোভিদ ইনফেক্সন থিংনবা চহী অমরোম হোৎনরক্লবা মতুংদা ভাইরস অসিগী কেস খঙৱাং ৱাংখৎলকপা লাকশিন্নবা হোৎনরক্পগা ঈরোয়ননা হৌখিবা থাদা নিংথৌনা লৈবাক শিন থুংনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখি। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন্না মুহিদ্দিনবু পৱার পায়নবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা ইমর্জেন্সিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখা তানা লৈঙাক পায়নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি। মরু ওইনা গভর্ণমেন্টগী লোমেকর অনীনা মহাকপু শৌগৎলরোই হায়খিবদগী পার্লিয়ামেন্টতা মহাক্না মেজোরিটি ওয়দ্রফাওবদা লৈঙাকপায়নবা হোৎনৈ হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

নেস্নেল পেলেসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি নিংথৌনা প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক তারবা মতুংদা মহাক্না লেপ্পা মতম অমদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌবা য়াই। রেগ্যুলর লোশিং সুপরসিদ তৌরিবা ইমর্জেন্সি ওর্দিনান্স চৎনবা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক্ত অমসুং নিংথৌনা লেপ্পা তারিখতা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌবা, পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্সনদা থম্বা নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎপা য়াই। মরম অদুনা পার্টি খরনা ইমর্জেন্সি চৎনরবদি পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌবা য়াদে হায়রিবসি চুমদে। হীরম অসিগী মতাংদা এজেন্সিনা হংবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। মুহিদ্দিননা থা ১১ ওফিস কায়রকপদা মহাক্কী রুলিং কোলিসন মনুংদা অমগা অমগা য়ানদবা অমসুং ওপোজিসন লিদর অনৱার ইব্রাহিমনা মহাক্কী লিদরসিপতা চেলেঞ্জ তৌনবচিংবা কয়া লাকখি।

# য়ু কেদা কোরোনা ভাইরসনা মীওই ৫৪৮ নৌনা শিহনখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
বৃটেননা ইনৌ নৌনা মীওই ৮৪৮৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কোরোনা ভাইরস কেস মশীং পুন্না, ৪,১৩৪,৬৩৯ শুরে।

লৈবাক অসিদা কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈননা ইনৌ নৌনা মীওই ৫৪৮ শু শিখ্রে। মশীং অসি থারগা হৌজিক বৃটেনদা ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশীং পুন্না ১২১,৩০৫ শুরে। মীওই অসি টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখিবা মতুং নুমিৎ ২৮ গী মনুংদা শিখিবা ঙাক্তনি।

বৃটেনদা মীওই মিল্লিয়ন ১৮ রোম কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা দোজশিং কাপখিবগা চাননা অনৌবা ইনফেক্সনশিং অমসুং মীশি অসি রিপোর্ট তৌখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোকদাউন লৌথোক্লবগী রোদমেপ অমা লাউথোকখ্রবা মতুংদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খি মদুদি ইংলেন্দগী কোরোনা ভাইরসকী অথিংবা খুদিংমক জুন ২১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লগনি হায়না মহাক্না থাজে।

# জপানগী রিজনেল ওথোরিটিশিংনা পেন্দমিক্কী ইমর্জেন্সি লৌথোক্লবা তকশিনখ্রে

টোকিয়ো, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
জপানদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং লেপ্তুনা হন্থরকপগা লোয়ননা হান্না লেপখিবা মতম মার্চ ৭ কী মাঙওইননা পেন্দামিক্কা মরী লৈনবা ইমর্জেন্সিগী থৌরাংশিং লৌথোকখিনবা রিজনেল ওথোরিটিশিংনা তকশিল্লক্লে হায়না ইকনমি মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা রিজনেল ওথোরিটিশিংগী ৱাফম অদু এক্সপার্টশিং তান্নরগা য়েংশিনগনি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ কেসশিং নৌনা ৱাংখৎলকপদগী জপাননা মমাং থাদা প্রেফিক্টচর ১১ দা ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা মীয়াম্বু থবক ইনখাংশিং হন্থহনখি অমসুং বিজনেসশিং ওপরেট তৌবগী মতমসু তেনশিনহনখি।

চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি কাটসুনোবু কাটোনা যুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক চৎনরিবা ইমর্জেন্সি অদু তাঙ্কক নাইনা লৌথোক্লবা য়াই। বিজনেসশিংদি মখা তানা ঙন্না থিংহনগনি।

নেস্নেল ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জপানদা অনৌবা কেস ১,০৮৩ থেংনখি। তৌইগুম্বসুং মদু পোজিটিভ কেস খ্বাইদগী ৱাংখিবা জন্যুৱারী হৌরকপদা থেংনখিবা কেস ৮,০০০ লোমগা চাংদম্নবদা য়াম্না নেমখি।

# য়ুমথংনরিবশিংনা ম্যান্মারগী ৱাথোক লোইশিনবা য়ানবা হোৎনরকপদা প্রোটেষ্টরশিংদা চিংনবা হেনগৎলক্লে

বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
অর্মীনা ফেব্রুৱারী ১ দা কু অমা পাঙথোক্তুনা পৱার পায়শিনখিবদগী লাকখিবা ম্যান্মারগী ক্রাইসিস লোয়শিনবদা মতেং পাংনবা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা হেন্না কন্না হোৎনরকখিবগা লোয়ননা মিলিটরিনা হান্না ম্যান্মারগী ফোরেন মিনিষ্টর যুমশকৈশা নুমিত্তা থাইলেন্দদা পাইরক্লে হায়না থাই গভর্ণমেন্টগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কু অদুগী মায়োক্তা লৈবশিংনা অমুক হন্না ম্যান্মারগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবগা ঈরোয়ননা মিনিষ্টর ৱুননা মুং লৱিন বেঙ্কোকতা থুংখি। এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) না ক্রাইসিস অদু লোয়শিন্নবা হোৎনরিবশিংগী মতাংদা মহাক্না ৱারী শান্নগনি।

ওং সান সু চিগী নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) না চাওনা মায় পাকখিবা নবেম্বর ৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা নমথাক্কী থৌওং কয়া য়াওখি হায়না মরাল শীরদুনা অর্মীনা পৱার পায়শিনবগা লোয়ননা সু চি অমসুং পার্টিগী লিদর অয়াম্বা ফাজিনখি। ইলেক্তরেল কম্মিসন্নদি মীখলদা নমথাক তৌখিবগী কমপ্লেন্টশিং রিজেক্ট তৌখি।

অসিয়ন মনুংদা ইন্দোনেসিয়ানা ক্রাইসিস অদু লোয়শিন্নবা লম্বী অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা মাংজিন থাখি। তৌইগুম্বসুং ম্যান্মারগী দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিংনদি জুন্টানা য়ানবা পুরকপা য়াবসি মখোয়গী থবক থৌওংশিং লোনা অয়াবা পীবা ওইনা থোক্তনি হায়না কিরি।

# তুরেলদা কার তাশিনবদা মীওই ১০ ঈরাক্লদুনা শিরে

কাবুল, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী খা থংবা প্রোভিন্স উরুজগনদা কার অমা তুরেলদা তাশিনবদগী মদুদা তোংবা মীওই ১০ শিরে হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেন অহম্মদ সাহ সাহেলনা যুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

শিরিবশিংদুগী মনুংদা নুপী তরুক, নুপা অমা অমসুং অঙাং অহুম য়াওখি। মখোয় লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা গিজাব দিষ্ট্রিক্টতা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওবা চৎপদা মখোয়গী গাড়ীদু হেলমন্দ তুরেলদা তাশিন্দুনা লাইবক থিরবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। দ্রাইভর অদুদি থৌদোক অদুদা শিহৌদ্রে হায়রি।

# কোভেক্সনা থাখিবা অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজশিং ঘানাদা থুংখ্রে



এক্রা, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী) :
মালেমদা খ্বাইদগী লায়রবশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং ফঙহন্দুনা পেন্দমিক লাকশিন্নবা হোৎনবগী থবক কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা মালেম শিনথুংনা ভেক্সিন ফঙহন্নবা পায়খৎপা স্কিম কোভেক্সকী অহানবা ভেক্সিন দোজশিং যুমশকৈশা নুমিত্তা দেলিভর তৌখ্রে।

সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা অষ্ট্রাজেনেকা ওক্সফোর্দকী ভেক্সিনগী দোজ ৬০০,০০০ পুবা ফ্লাইট অমা ঘানাগী কেপিটেল অক্রাদা থুংখ্রে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলদ্রেন'স এজেন্সি য়ুনিসেফনা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ঘানাদা ভেক্সিন থাখিবদু দব্লিউ ঐচ ওনা অহানবা ওইনা নোবেল কোরোনা ভাইরসপু গ্লোবেল পেন্দমিক্নি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং চহী অমরোম কান্নরগা অমসুং ইনাকখুনবা লৈবাকশিংগী ফন্দশিংদা য়ুম্ফম ওইবা কোভেক্স ইনিসিএটিভ লোঞ্চ তৌখিবা মতুং থা নিপাল কান্নরগনি। ঘানাগী হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, অনেম্বা অমসুং ময়াই ওইরপ্পা ইনকমগী লৈবাকশিংদা হান্না থাগদবা ভেক্সিন দোজশিংগী মনুং চনবা ভেক্সিনশিং অদুফ্রন্টলাইন হেল্থ ৱার্করশিং অমসুং অতৈ ইনফেক্সনগী রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদা ভেক্সিনেসন হৌবদা শীজিন্নগনি।

ঘানাদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং ফঙহনবা হায়বসি পেন্দামিক অসি লোয়শিনবদা য়াম্না তঙাই ফদবা তৌফম থোকপা অমা ওইবনা মসি য়াম্না মরু ওইবা তাঞ্জানি হায়না য়ুনিসেফ ঘানাগী এন্নি ক্ল্যের দুফে অমসুং দব্লিউ ঐচ ওগী রিপ্রজেন্টেটিভ ফ্রান্সিস কাসোলোনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। এজেন্সিগী টেলি অমগী মতুং ইন্না ঘানাদা মীওই ৮০,৭০০ হেন্না কোরোনা ইনফেক্সন কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং লায়না অসিনা মীওই ৫৮০ শিহনখ্রে।

ভেক্সিনশিং অদু হেল্থ মিনিষ্টর দেজিগনেট ক্বাকু এগয়েমেন মনুংদা অফ্রিকাগী অপূনবা মীশিং বিল্লিয়ন ১.৩ গী চাদা ৬০ ইম্মুনাইজ তৌনবগী পান্দমদা অফ্রিকান য়ুনিয়ন্না অহেনবা ভেক্সিনশিং লৈদুনা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বর ষ্টেট ৫৫ দা মতেং পাংনবা হোৎনরক্লি। অষ্টাজেনেকা, ফাইজর অমসুং জোন্সন এন্দ জোন্সনগী ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ২৭০ চহী অসিদা লৌনবগী ৱাফম য়ানরে হায়না হৌখিবা চয়োলদা য়ুনিয়ন অসিগী ভেক্সিন টিমনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা জিম্বাবৱে অমসুং ইক্বিটোরিএল গিনি য়াওনা অফ্রিকাগী লৈবাক কয়াদা সাইনোফার্মগী ভেক্সিন খরা খরা দোনেসন তৌখ্রবনি। রশিয়ানসু লৈবাক অসিগী স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৩০০ ফাইনান্সিএল পেকেজ অমগা লোয়ননা ওফর তৌখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
(TRIBAL AFFAIRS DIVISION)
*****
[illegible] /NOTIFICATION
Imphal, the 24th February, 2021

No. 8/1/2020-21/TAH/Pt: It is hereby notified for general information that online application for availing assistance under State Plan for the following State Schemes in kind for Scheduled Tribe (ST) Beneficiaries for the year 2020-2021 can be applied from the Official website of Directorate of Tribal Affairs & Hills, Government of Manipur at www.tahschememanipur.in:

(i) Rural Shelter
(ii) Sewing Machine
(iii) Water Storage Tank

2. Those who are unable apply online; they may download the form from the website or collect the form from the Directorate during Office hours on all working days.

3. Submission of application forms:

(i) Issue of application form (Online & Offline): 25.02.2021 till 06.03.2021.
(ii) Time of submission (Offline) : 10.00 A.M till 3.30 P.M.

4. There will be 3% reservation for Persons with Disabilities (PWDs).

5. For any website related issues, the following person(s) may be contacted during Office hours:
(i) Shri. Vidyananda, Mobile No. 7975777165
(ii) Shri. Glenthompson – Mobile No.8130343848
(iii) Shri. Reagan – Mobile No. 8837301894

6. For scheme related queries, the following Officer (s) may be contacted during Office hours:

| Sl. No. | Name of the Scheme | Name of the Scheme Officer(s) and Contact No. |
|---|---|---|
| 1. | Rural Shelter | L Rajendro Singh, Deputy Director, +919402679913 |
| 2. | Sewing Machine | M. Wontimla, Assistant Director, +918415093141 |
| 3. | Water Storage Tank | A.Gambhir Singh, Executive Engineer, +917005528132 |

Sd/- C. Arthur Worchuiyo
Director
Tribal Affairs&Hills, Manipur

HL-B/6818/25 & 26

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF TAXES
[illegible] /NOTICE
Imphal, 24th February, 2021

No. Tax/5(198)/IMP/98/Cor./326 : It is hereby notified to all the concerned that as per Section 3(1) of the Manipur, Professions, Trades, Callings and Employments Taxation Act, 1981, as from assessment year commencing from the 1st day of April of every year and subject to the provisions of this Acts, every person who carries on a trade, either by himself or by an agent or representative, or who follows a profession or calling or who is in employment either wholly or in part within the State shall be liable to pay for each assessment year a tax with regard to such professions, trade, calling or employment and in addition to any tax, rate, duty or fee which he is liable to pay under any other enactment for the time being in force. Therefore, the following class of assessees are hereby inform to pay the Professional Tax in time.

| Sl. No. | Class of Assessee | Rate of Tax per annum |
|---|---|---|
| 1. | Salary & Wage earners: - When the range of total gross annual income is- | |
| | (i) Rs. 1,00,001/- and above and up to Rs. 2,00,000/- | Rs.1,800/- |
| | (ii) Rs. 2,00,001/- and above | Rs. 2,500/- |
| 2. | (i) Legal practitioners including solicitors and notaries public, Medical Practitioners including medical consultants. Dentists, Radiologists, Pathologists and persons engaged in similar other professions or callings of a paramedical nature; Technical and Professional consultants other than those mentioned in item (b), but including Architects, Engineers, R.C.C. Consultants, Plumbers, Electricians, Tax consultants including Income Tax and Tax practitioners, Chartered Accountant, Actuaries, Cost Accountants, and Management consultants, Market Research Analyst, Software Consultant. | Rs. 2,500/- |
| | (ii) Chief Agents, Principal Agents, Special Agents, Insurance Agents and Surveyors or Loss Assessors registered or licensed under the Insurance Act, 1938; Estate Agents, Brokers, Promoters, Commission Agents, clearing and Forwarding Agents, Advertising Agents, Auctioneers' or Mercantile Agents, Travel or Tourist Agents, Manpower or Private Security Service Providers. | Rs. 2,500/- |
| | (iii) Contractors of all types or suppliers having turnover more than 5.00 lakh. | Rs. 2,500 /- |
| | (iv) Directors other than those nominated by the Govt. Companies registered under the Companies Act, 1956. | Rs. 2,500/- |
| | (v) Dealers or persons or tax payers under the Manipur Value Added Tax Act, 2004 or Central Sales Tax Act, 1956, Manipur Goods and Services Tax Act, 2017 whether registered or not and other traders where total turnover in any year exceed Rs 3,00,000/- | Rs. 2,500/- |
| | (vi) Occupiers of factories as defined under the factories Act, 1948 who are not covered by entry 6. | Rs. 2,500/- |
| | (vii) Principal Officers or establishment as defined in the Manipur Shops and Establishment Act, 1972 who are not covered by entry 6. | Rs. 2,500/- |
| | (viii) Owners or lessees of Diesel/Petrol filling stations, CNG filling Stations, Oil pumps, service station, garages and workshops of Auto mobiles and Agents and Distributors including retail dealers of liquefied petroleum gas; Flour mills, Rice mills, Oil mills, Oil ghanies, Khandasari and Sugar factories, Oil rotteries (with powers), Huller mills, Cashew factories; beauty clinics & parlours, hair dressing saloons, tutorial colleges or training institution, type writing and shorthand institutions, Private Educational Institutes; Nurshing Home, Hospitals, X-ray Clinics & Pathological laboratory; Cinema House, theatres, video parlours, video laboratories, DTH Service Providers, Multi System Operators and Local Cable Operators; spinning mills, power looms, mini steel plant, steel re-rolling mills, stone crushers, tiles factories, chemical and pharmaceuticals laboratories, furniture making units, printing presses, fruit canning units, saw mills, cotton ginning or processing factories, gun manufacturing units, cement flooring, stone manufacturing units, cold storages, Brick Kiln, Sand and gravel quarry; residential hotels, restaurant, catering, marriage hall or any other eating place; Authorised Service Centres, Courier Service, Transport business, Cargo, Travel Agents, Gym/Fitness Centres. | Rs. 2,500/- |
| | (ix) Co-operative Societies registered under the Manipur Cooperative societies Act, 1976 and engaged in any professions, trades and callings and any other society. | Rs. 2,500/- |
| | (x) Banking Companies as defined in the Banking Regulation Act, 1949. | Rs. 2,500/- |
| | (xi) Companies registered under the Companies Act, 1956 and engaged in any professions, trades or callings. | Rs. 2,500/- |
| | (xii) Partnership firms when engaged in any professions, trades or callings exceeding annual gross turnover of Rs. 5.00 lakh. | Rs. 2,500/- |

It is further inform to the professions, trades and callings taxpayers that if the above mentioned professions, trades and callings taxpayers failed to pay the Professional Tax before 15th March, 2021, necessary legal action will be initiated under the provisions of the Manipur Professions, Trades, Callings and Employments Taxation Act, 1981.

Sd/- Ng. Roben Singh
Commissioner of Taxes,
Manipur

HL-B/6817/25